EQUIFAX

sidbi

# মাইক্রোফাইনান্স পল্স

Vol VIII–April 2021



# এনালাইতিকেল কন্তেক্ত


## ইকুইফেক্স

কিরন সমুদ্রাল ভি.পি.

-এনালাইতিক্স

kiran.samudrala@equifax.com

শ্রুতী জোশী
এ.ভি.পি. এনাইলাইতিক্স

shruti.joshi@equifax.com

খয়াতী খজুরিয়া
এ.এম. এনালাইতিক্স

khayati.khajuria@equifax.com

বন্দনা পঞ্চল সেনিয়র
এক্স-এনালাইতিক্স

vandana.panchal@equifax.com

## এস.আই.দি.বি.আই.

কাইলাশ চন্দর ভানু

সি.জি.এম.- ই.আর.দি.এ.ভি.

erdav@sidbi.in

রঙ্গদাশ প্রভাবতী
দি.জি.এম.-ই.আর.দি.এ.ভি.

erdav@sidbi.in

রামেশ কুমার
এম.এম.-
ই.আর.দি.এ.ভি.

rameshk@sidbi.in


“মাইক্রোফাইনান্স পল্সকী অহানবা চেফোঙশিং অসি ভারতকী লোল 12, মিং ওইনা পল্লবদা হিন্দী, ইংলিশ, মনিপুরী, তেলেগু, আসামিজ, তমিল, গুজরাতী, বেঙ্গালী, পঞ্জাবী, ওরিয়া, মরাথী অমসুং বোরোদা ফংই। মখাগী লিঙ্ক অসিদগী লোলশিং অসিদগী পাবা য়াগনিঃ

**https://www.sidbi.in/en/microfinance-pulse-all-edition**.”

# ইন্দেক্স


- মপুং ওইবা ৱারোল 04
- এব্রিভিএসন অমসুং গ্লোসরী 06
- মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রীগী শন্নপ্পা ৱারোল 07
- শেনফম য়েন্থোকপগী চৎনবী 10
- ইন্দস্ত্রী রিস্ক প্রোফাইল 14
- জিওগ্রাফিকেল এক্সপোজর 17
- রাজ্যগী মপুং ওইবা প্রোফাইলঃ মহারাস্ত্রা 20
- এস্পিরেস্নেল দিস্ত্রিক্তশিং 25
- অসমগী মতাংদা 27



# মপুং ওইবা ৱারোল

# মপুং ওইবা ৱারোল

মাইক্রোফাইনান্স পল্সকী 8শুবা চেফোঙ অসিনা দিসেম্বর 31, 2020 ফাওবগী মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রীগী অপুনবা শক্তম অমা উৎলি। মাইক্রোফাইনান্স পল্সনা মাইক্রোফাইনান্স লেন্দরশিংগী ইন্দস্ত্রীগী চৎনবী নৈনরি অমসুং হৌখিবা মতম খরগী মাইক্রোফাইনান্স সেক্তরগী চৎনবীশিং খোমজিন্দুনা থম্বগী মথক্তা তুংদা ওইরক্কদবা যৌওংশিংগী মতাংদসু খঙহল্লি।

মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রীনা ইং 2020গী চহি লোইশিনবগী মতমদা করোর 6কী লাইব বোরোৱর বেজ য়ৌবা ঙমখি। মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রীগী হিসাবকী পাক-চাউবা অসি দিসেম্বর 31 ফাওবদা করোর 228,818 ওইখি। পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিংনা দিসেম্বর 2019দগী দিসেম্বর 2020দা 16%কী চাংদা হেনগৎখি। বেঙ্কশিংনা অপুনবা পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিংদা 42%কী চাংদা অমসুং হৌজিক লৈরিবা লোনশিংদা 39%কী চাংদা শৌগত্তুনা মাংজিল থাখি।

বেঙ্কশিংনা COVID মমাংগী চাংদগী লোন হেন্না থাদোকপা ঙমদুনা লোন থাদোকপগী চাংনা OND'20দা চাং য়াম্না হেনগৎখি। মমাংগী ক্বার্তরগা চাংদম্নবদা OND'20দা শেনফম ওইনা য়েন্থোকপনা 84% অমসুং লোন থাদোকখিবা মশিংনা 97%কী চাংদা হেনগৎখি। OND'19দগী OND'20 ফাওবদা 0K-10K চাউবা তিকেৎকী লোনশিংনা 240%কী Y-O-Yগী খ্বাইদগী ৱাংবা শাহৌ লৌবা ঙমখি অদুবু  ময়াই ওইরপ্পা চাউবা তিকেৎকী লোনশিংনা 5%কী চাংদা হন্থখি। ইন্দস্ত্রী 1+ দেলিংক্বেন্সীনা দিসেম্বর 2020দা 20.68%কী চাংদা লৈদুনা খ্বাইদগী ৱাংবা ওইখি। বেঙ্ক নত্তবা অতোপ্পা সেক্তরশিংনা 60K দগী হেন্না চাউবা তিকেৎকী লোনশিংগী কাংলুপ্তা 90+কী দেলিংক্বেন্সী লৈখি।

মকোক থোংবা রাজ্য 5না পেন ইন্দিয়া পোর্তফোলিওদা 55%কী শরুক্তা শৌগৎখি। নোংচুপ বেঙ্গলনা পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিংদা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইনা 15% শৌগৎলি। দিসেম্বর 2020 ফাওবদা, তমিল নাদুনা রাজ্য 5কী মরক্তা 2.36%কী চাংদা লৈদুনা খ্বাইদগী নেম্বা 90+ দেলিংক্বেন্সী লৈখি। দিসেম্বর 2020 ফাওবদা, এস্পিরেস্নেল দিস্ত্রিক্তশিংগী অপুনবা পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিংনা বেঙ্ককী শেয়র 42% অমসুং NBFC-MFIগী 36%কী শেয়র লৈদুনা  করোর 28,256 ওইখি। NBFC-MFIনা এস্পিরেস্নেল দিস্ত্রিক্তশিং খুদিংমক্কী ওইনা 90+ দেলিংক্বেন্সী লৈখি।

মহারাস্ত্রানা, দিসেম্বর 31, 2020 ফাওবদা, এক্তিব লোন অমসুং পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিংগী মতাংদা পেন ইন্দিয়া MFI পোর্তফোলিওদা  7% শৌগৎখি। মহারাস্ত্রানা দিসেম্বর 2019দগী দিসেম্বর 2020 ফাওবদা 17%কী Y-O-Yগী শাহৌ লৌখি। অতোপ্পা লেন্দরশিংগা চাংদম্নবদা, NBFCশিংগী ATS অসি মহারাস্ত্রাদা খ্বাইদগী য়ামখি। মহারাস্ত্রাগী 90+ দেলিংক্বেন্সীনা পেন ইন্দিয়াগী দেলিংক্বেন্সীগা চাংদম্নবদা মশিং হেনখি। Y-O-Yদা যুক্ষম ওইদুনা পেন ইন্দিয়াগী থাক্তা Y-O-Yগী 3%কী শাহৌ লৌরিবা অসিগা চাংদম্নবদা মহারাস্ত্রাদা লোন থাদোকপগী মশিংনা 11.5%কী চাংদা হন্থখি।

অসম্না দিসেম্বর 2019দগী দিসেম্বর 2020 ফাওবদা পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিংগী শাহৌদা 5%কী চাংদা হন্থবগী ফীভম উখি। দিসেম্বর 2019গা চাংদম্নবদা, দিসেম্বর 2020দা অসমগী সেক্তর খুদিংগী 90+ দেলিংক্বেন্সী হেনগৎখি। OND' 19দগী  OND'20 ফাওবদা, অসমগী লোন পীথোকপগী চাংনা 79%কী চাংদা হেনগৎখি।

# এব্রিভিএসন অমসুং গ্লোসরী

- ATS (এভরেজ তিকেৎ সাইজ) = পীথোক্লবা শেনফম/লোন মশিং
- DPD = হেন্দোক্লবা নুমিৎ মশিং
- Live POS নত্ত্রগা শেল পুরীবা মী নত্ত্রগা এক্তিব লোন = 0 দগী 179 DPD + অনৌবা একাউন্ত + হৌজিক লৈরিবা একাউন্ত
- MFI = মাইক্রোফাইনান্স ইন্সতিত্যুসন
- POS = পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিং
- UT = য়ুনিয়ন তেরিতোরী
- এস্পিরেস্নেল জিলাশিং (AD) – হেল্থ অমসুং ন্যুত্রিসন, এজুকেসন, লৌউ-শিংউ অমসুং ঈশিং ফংফমশিং, শেল-থুমগী হীরমগী মনুং চনবা, স্কিল দিভেলপমেন্ত অমসুং চঙদবা য়াদবা ইনফ্রাস্ত্রকচরগুম্বা কম্পোজিৎ ইন্দিকেতরদা য়ুম্ফম ওইদুনা হ্যুমেন দিভেলপমেন্ত ইন্দেক্স হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক্তা জনুৱারী 2018দা GoIগী NITI Aayogনা শকখঙলবা জিলাশিং (হৌজিক-হৌজিক 117 লৈরি)

- 1-179 = 1 দগী 179 DPD/Live POS
- 1-29 = 1 দগী 29 DPD/Live POS
- 30-59=30 দগী 59DPD/Live POS
- 60-89=60 দগী 89DPD/Live POS
- 90-179 = 90 দগী 179 DPD/Live POS
- 30+ দেলিংক্বেন্সী = 30-179 DPD/Live POS
- 90+ দেলিংক্বেন্সী = 90-179 DPD/Live POS


- OND’19 = ওক্তোবর 2019 দগী দিসেম্বর 2019
- JFM’20 = জনুৱারী 2020 দগী মার্চ 2020
- AMJ’20 =এপ্রিল 2020 দগী জুন 2020
- JAS’20 = জুলাই 2020 দগী সেপ্তেম্বর 2020
- OND’20 = ওক্তোবর 2020 দগী দিসেম্বর 2020




# মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রীগী শল্লপ্পা ৱারোল

# মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রীগী শক্তম –দিসেম্বর 31, 2020 ফাওবদা

গ্রাফ-01




| দিসেম্বর 30, 2020ফাওবগী শক্তম | বেঙ্কশিং | SFBশিং | NBFC-MFIশিং | NBFC শিং | শেন্দোংগী নত্তবা MFIশিং | অপুনবা ইন্দস্ত্রী |
|---|---|---|---|---|---|---|
| তোপ তোপ্পা লাইব বোরোৱর('000) | 26,230 | 13,961 | 25,322 | 7,534 | 827 | 73,874 |
| এক্তিব লোনশিং ('000) | 40,008 | 17,460 | 36,459 | 8,075 | 1,076 | 103,078 |
| পোর্তফোলিও (`crore) | 96,683 | 38,109 | 73,166 | 18,988 | 1,872 | 228,818 |
| য়েন্থোকখ্রবা শেনফম(করোর)-OND'20 | 32,395 | 7,741 | 21,043 | 2,427 | 575 | 64,181 |
| ময়াই ওইরপ্পা চাউবা তিকেৎ (`) - OND' 20 | 31,955 | 37,481 | 33,177 | 40,906 | 32,519 | 33,227 |
| 30+ দেলিংক্বেন্সী (POS) | 14.63% | 10.40% | 13.44% | 11.30% | 3.53% | 13.18% |
| 90+ দেলিংক্বেন্সী (POS) | 4.84% | 4.44% | 6.19% | 2.27% | 1.37% | 4.96% |

তেবল-01


- মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রীগী হিসাবকী পাক-চাউবা অসি দিসেম্বর 31 ফাওবদা করোর 228,818নি। বেঙ্কশিংনা অপুনবা পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিংদা 42%কী চাংদা অমসুং হৌজিক লৈরিবা লোনশিংদা 39%কী চাংদা শৌগত্তুনা মাংজিল থাখি।
- NBFC-MFIশিংনা ক্বার্তর OND’20দা য়েন্থোক্লবা শেনফমদা 33%কী চাংদা শৌগত্তুনা অনিশুবা খ্বাইদগী শৌগৎপা ওইরি।
- NBFCকী ATSনা ইন্দস্ত্রী ATSতগী 23% হেল্লি।
- NBFCশিংগী 90+ দেলিংক্বেন্সী অমসুং শেন্দোংগী নত্তবা MFIশিংনা মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রীশিংগা চাংদম্নবদা চাং মান্ননা লৈরি।

**খঙজিনগদবাঃ** MFIগী কাঙলুপ্তা তোপ তোপ্পা লাইব বোরোৱর করোর ~6 লৈ। তোপ তোপ্পা কস্তমরশিংগী মশিংদা খেৎনবা লৈরিবা অসি কস্তমরশিংনা বেঙ্ক, SFB, NBFC-MFI, NBFC অমসুং শেন্দোংগী নত্তবা MFIশিংগা অমদগী হেনবা মরী লৈবননি।

# মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রীগী শল্লপ্পা ৱারোল

গ্রাফ-02

লেন্দরশিংগী মখলদা মখা পোনবা মার্কেৎ শেয়র




পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিং (` করোর)

| ৱারোল | দিসেম্বর ' 19 | মার্চ' 20 | জুন' 20 | সেপ্তেম্বর' 20 | দিসেম্বর' 20 |
|---|---|---|---|---|---|
| বেঙ্কশিং | 78,522 | 81,001 | 91,920 | 93,409 | 96,683 |
| SFBশিং | 34,964 | 38,986 | 39,225 | 42,682 | 38,109 |
| NBFC-MFIশিং | 62,982 | 72,110 | 71,342 | 70,142 | 73,166 |
| NBFCশিং | 18,753 | 18,073 | 19,875 | 19,838 | 18,988 |
| শেন্দোংগী নত্তবা MFIশিং | 1,599 | 1,679 | 1,842 | 1,772 | 1,872 |
| অপুনবা ইন্দস্ত্রী | 196,820 | 211,849 | 224,204 | 227,843 | 228,818 |
| Q-o-Q শাহৌ লৌবগী চাং % | - | 8% | 6% | 2% | 0% |

তেবল-02

- মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রীনা দিসেম্বর 2019দগী দিসেম্বর 2020 ফাওবদা 16%গী চাংদা চাউবা হেনগৎখি।
- বেঙ্কশিংনা দিসেম্বর 2019দগী দিসেম্বর 2020 ফাওবদা লেন্দর খুদিংমক্তা 23%কী চাংদা খ্বাইদগী য়াম্বা Y-o-Yগী  শাহৌ লৌখি।





# শেনফম য়েন্থোকপগী চৎনবী

# শেনফম য়েন্থোকপগী চৎনবী – ইন্সতিত্যুসনগী ওইবা

গ্রাফ--03

লেন্দরশিংগী মখলদা মখা পোনবা মার্কেৎ শেয়র





লোন পীথোকখ্রবা মশিং (লাখ)

| লেন্দর মখল | OND' 19 | JFM' 20 | AMJ' 20 | JAS' 20 | OND' 20 |
|---|---|---|---|---|---|
| বেঙ্কশিং | 74 | 83 | 14 | 47 | 101 |
| SFBশিং | 30 | 31 | 5 | 12 | 21 |
| NBFC-MFIশিং | 69 | 71 | 2 | 32 | 63 |
| NBFCশিং | 12 | 11 | 1 | 5 | 6 |
| শেন্দোংগী নত্তবা MFIশিং | 3 | 2 | 1 | 2 | 2 |
| অপুনবা ইন্দস্ত্রী | 188 | 198 | 23 | 98 | 193 |

তেবল-03

- OND'20দা বেঙ্কশিংনা COVID মমাংগী থাক্তগী হেনবা শেনফম থাদোক্তুনা মখোয়না লোন থাদোকপগী চাং অমুক্কা হন্না য়াম্না হেনগৎলকখি। NBFC-MFIশিংনা COVIDকী মমাংদা লৈরম্বা থাক্তা হঞ্জিল্লক্লি। NBFC অমসুং SFBনা JAS'20গা চাংদম্নবদা লোন মশিং হেন্না থাদোক্লকবসু, মখোয়না COVIDকী মমাংদা লৈরম্বা থাক্তা হঞ্জিল্লকপদি ঙমদ্রি।
- মমাংগী ক্বার্তরগা চাংদম্নবদা OND'20দা শেনফম ওইনা থাদোকপগী চাংনা 84% অমসুং লোন থাদোকখিবগী মশিংনা 97%কী চাংদা হেনগৎখি।
- OND'20দা লোনগী অয়াবা পীখিবা অমসুং লোনগী শেনফম থাদোকপগী বেঙ্ককী মার্কেৎ শেয়র অসি 50% হেনখি।

# ইন্দস্ত্রীগী তিকেৎ সাইজকী চৎনবীশিং




লোন পীথোকখ্রবা মশিং (লাখ)


| তিকেৎ সাইজ | OND‘ 19 | JFM‘ 20 | AMJ' 20 | JAS' 20 | OND’ 20 | Y-o-Y শাহৌ লৌবা % |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 0K-10K | 10 | 9 | 2 | 4 | 34 | 240% |
| 10K-20K | 12 | 11 | 10 | 15 | 20 | 67% |
| 20K-30K | 48 | 46 | 2 | 18 | 32 | -33% |
| 30K-40K | 60 | 62 | 3 | 24 | 42 | -30% |
| 40K-50K | 29 | 32 | 2 | 18 | 28 | -3% |
| 50K-60K | 14 | 19 | 2 | 10 | 18 | 29% |
| 60K হেনবা | 15 | 19 | 2 | 9 | 19 | 27% |
| Total | 188 | 198 | 23 | 98 | 193 | 3% |
| Q-o-Q লোন পীথোকপদা শাহৌ লৌবা % | - | 5% | -88% | 326% | 97% | - |
| ভারত পুম্বগী ATS (`) | 34,904 | 36,842 | 28,640 | 35,620 | 33,227 | -5% |
| Q-o-Q ATS শাহৌ লৌবা % | - | 6% | -22% | 24% | -7% | - |

তেবল-04

- OND’19 দগী OND’20 ফাওবদা 0K-10Kগী তিকেৎ সাইজকী মনুং চনবা লোনশিংনা খ্বাইদগী ৱাংবা 240%কী Y-O-Y শাহৌ লৌখি।
- খ্বাইদগী য়াম্বা লোন মশিং অসি 30K-40K তিকেৎ কাংলুপকী মনুং চনবনা ওইখি।
- Y-o-Y ATSনা OND’19দা 34,904 ওইরম্বদগী OND’20দা 5%কী চাং হন্থদুনা 33,227 ওইখি।

# ময়াই ওইরপ্পা চাওবা তিকেৎকী চৎনবীশিং

গ্রাফ-05




ময়াই ওইরপ্পা চাউবা তিকেৎ ()

| লেন্দর মখল | OND‘ 19 | JFM‘ 20 | AMJ' 20 | JAS' 20 | OND’ 20 | Y-o-Y শাহৌ লৌবগী চাং % |
|---|---|---|---|---|---|---|
| বেঙ্কশিং | 40,528 | 43,281 | 31,493 | 38,588 | 31,955 | -21% |
| SFBশিং | 34,551 | 34,615 | 25,450 | 33,032 | 37,481 | 8% |
| NBFC-MFIশিং | 28,941 | 30,485 | 28,339 | 32,855 | 33,177 | 15% |
| NBFCশিং | 36,252 | 37,776 | 19,627 | 33,940 | 40,906 | 13% |
| শেন্দোংগী নত্তবা MFIশিং | 30,230 | 26,883 | 13,149 | 29,670 | 32,519 | 8% |
| পেন ইন্দিয়া | 34,904 | 36,842 | 28,640 | 35,620 | 33,227 | -5% |

তেবল-05

- OND’20 ফাওবদা NBCFশিংগী ATSনা লেন্দর পুম্নমক্কী খ্বাইদগী ৱাংখি।
- বেঙ্কশিংনা OND’19 দগী OND’20 ফাওবদা 21%গী চাংদা শাহৌ লৌবা হস্থখি।
- NBFC-MFIশিংনা OND’19 দগী OND’20 ফাওবদা 15%কী খ্বাইদগী ৱাংবা Y-o-Yগী শাহৌ লৌখি।


EQUIFAX

sidbi



# ইন্দস্ত্রী রিস্ক প্রোফাইল

# দেলিংক্বেন্সীগী চৎনবীশিং




**হেন্দোক্লবা নুমিত্তা মখা পোনবা দেলিংক্বেন্সী**

| পাউদমগদবা ক্বার্তর | নুমিৎ 1-29 হেন্দোক্লবা | নুমিৎ 30-59 হেন্দোক্লবা | নুমিৎ 60-89 হেন্দোক্লবা | নুমিৎ 90-179 হেন্দোক্লবা | নুমিৎ 1-179 হেন্দোক্লবা |
|---|---|---|---|---|---|
| দিসেম্বর' 19 | 1.27% | 0.60% | 0.30% | 0.51% | 2.69% |
| মার্চ' 20 | 2.06% | 0.50% | 0.42% | 0.86% | 3.84% |
| জুন' 20 | 1.30% | 1.03% | 0.43% | 0.43% | 3.20% |
| সেপ্তেম্বর' 20 | 15.35% | 3.47% | 0.39% | 0.63% | 19.83% |
| দিসেম্বর' 20 | 7.50% | 4.73% | 3.49% | 4.96% | 20.68% |


তেবল-06

- ইন্দস্ত্রী 1+ দেলিংক্বেন্সীনা দিসেম্বর 2020দা 20.68%কী খ্বাইদগী ৱাংখি।
- নুমিৎ 1-29দগী হেন্দোকপা কাংলুপ্না দিসেম্বর 2020দা খ্বাইদগী ৱাংবা দেলিংক্বেন্সী উৎলি। মসিনা সেপ্তেম্বর 2020গা চাংদম্নবদা তংখায়গী চাংদা হন্থরি। মসিগী মরমদি দেলিংক্বেন্ত ওইরবা একাউন্তশিংনা DPD ৱাংবা কাংলুপ্তা হোংখিবগী ওইবা য়াই।

খঙজিনগদবাঃ দেলিংক্বেন্সীশিং অসি POSতা য়ুক্ফম ওইরগা হোংঙনি

# 90+ দেলিংক্বেন্সী – দিসেম্বর 31, 2020 ফাওবগী

গ্রাফ-07




| লেন্দর মখল | 0K-10K | 10K-20K | 20K-30K | 30K-40K | 40K-50K | 50K-60K | 60K হেনবা |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| বেঙ্কশিং | 0.36% | 2.32% | 3.87% | 3.03% | 2.27% | 3.34% | 7.74% |
| SFBশিং | 1.39% | 3.40% | 7.91% | 4.90% | 3.86% | 3.30% | 2.86% |
| NBFC-MFIশিং | 4.29% | 7.26% | 7.93% | 6.72% | 6.45% | 5.34% | 2.61% |
| NBFCশিং | 30.37% | 9.47% | 4.41% | 3.00% | 0.85% | 1.46% | 1.40% |
| শেন্দোংগী নত্তবা MFIশিং | 1.28% | 2.12% | 4.48% | 1.32% | 1.71% | 0.83% | 0.52% |

তেবল-07


- লেন্দরশিংনা দেলিংক্বেন্সী য়েংশিনবা অমসুং তিকেৎ সাইজ অসিনা খ্বাইদগী ৱাংবা অপুনবা 90+ দেলিংক্বেন্সী লৈবা NBFC-MFIশিংগী 90+ দেলিংক্বেন্সী অসি তিকেৎ সাইজ মখল খুদিংদা লৈগল্লি অদুবু খ্বাইদগী নেম্বা অপুনবা 90+ দেলিংক্বেন্সী লৈবা NBFCশিংগী ওইনদি 90+ দেলিংক্বেন্সী অসি 0K-10K & 10K-20K গুম্বা অপিকপা তিকেৎকী মরক্তা লৈগল্লি হায়বা ফীভম উৎলি৷
- বেঙ্ক নত্তবা অতোপ্পা লেন্দর খুদিংমক্না 60Kদগী হেন্না চাউবা তিকেৎ কাংলুপ্তা 90+ দেলিংক্বেন্সীদা লৈ৷

**খঙজিনগদবাঃ** দেলিংক্বেন্সীশিং অসি POSতা য়ুক্ষম ওইরগা হোৎপনি




# জিওগ্রাফিকেল এক্সপোজর

# রাজ্য/**UT**শিংগী ওইবা পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিং - দিসেম্বর **31, 2020** ফাওবগী




- দিসেম্বর 2020 ফাওবগী পেন ইন্দিয়া পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিং অসি করোর 228,818নি।
- মকোক থোংবা রাজ্য 5না পেন ইন্দিয়া পোর্তফোলিওগী 55% শৌগৎলি (নোংচুপ বেঙ্গল, তমিল নাদু, বিহার, করনাতকা অমসুং মহারাস্ত্রা)
- ভারতকী রাজ্য অয়াম্বগী POS এক্সপোজর অসি করোর 5,000দগী হেল্লি।
- নোংচুপ বেঙ্গলনা অপুনবা পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিংদা খ্বাইদগী য়াম্না 15%গী চাংদা শৌগৎলি।


# রাজ্য/**UT**শিংগী ওইবা **90+** দেলিংক্বেন্সী - দিসেম্বর **31, 2020** ফাওবগী




- দিসেম্বর 2020 ফাওবগী পেন ইন্দিয়াগী 90+ দেলিংক্বেন্সী অসি 4.96%নি৷
- তমিল নাদুনা, মকোক থোংবা রাজ্য 5কী মনুংদা, দিসেম্বর 2020 ফাওবদা 2.36%তা লৈদুনা খ্বাইদগী নেম্বা 90+ দেলিংক্বেন্সী লৈরি৷
- নোংচুপ বেঙ্গলনা, মকোক থোংবা রাজ্য 5কী মনুংদা, দিসেম্বর 2020 ফাওবদা 8.97%তা লৈদুনা খ্বাইদগী ৱাংবা 90+ দেলিংক্বেন্সী লৈরি৷

**খঙজিনগদবাঃ** দেলিংক্বেন্সীশিং অসি POSতা যুম্ফম ওইরগা হোংপনি


EQUIFAX sidbi




# রাজ্যগী পাক-চাউবা প্রোফাইলঃ মহারাস্ত্রা

# মহারাস্ত্রাঃ রাজ্যগী শক্তম

গ্রাফ-08




| দিসেম্বর 2020 ফাওবগী মহারাস্ত্রগী শক্তম | বেঙ্কশিং | SFBশিং | NBFC-MFIশিং | NBFC শিং | শেন্দোং নত্তবা MFIশিং | ইন্দস্ত্রী |
|---|---|---|---|---|---|---|
| এক্তিব লোন ('000) | 2,793 | 1,565 | 2,988 | 364 | 19 | 7,729 |
| পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিং (` crore) | 5,675 | 3,306 | 6,402 | 800 | 49 | 16,232 |
| পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিংগী মার্কেৎ শেয়র | 35% | 20% | 39% | 5% | 1% | 100% |
| য়েম্বোক্লবা শেনফম (`করোর) – OND'20 | 2,013 | 667 | 1,869 | 74 | 5 | 4,628 |
| চাউরাকপা তিকেৎ সাইজ (`) – OND'20 | 27,676 | 32,643 | 38,697 | 40,474 | 37,186 | 32,265 |
| 30+ দেলিংক্বেন্সী (POS) | 16.30% | 19.39% | 17.54% | 22.59% | 43.41% | 17.81% |
| 90+ দেলিংক্বেন্সী (POS) | 5.39% | 10.59% | 9.66% | 2.85% | 12.46% | 8.03% |

- মহারাস্ত্রনা দিসেম্বর 31, 2020 ফাওবদা এক্তিব লোন অমসুং পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিংগী হীরমদা পেন ইন্দিয়া MFI পোর্তফোলিওদা 7%কী চাংদা শৌগৎলি।
- NBFC-MFIশিংনা পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিং 39%কী চাংদা শৌগৎলি।
- অতোপ্পা লেন্দরশিংগা চাংদম্নবদা মহারাস্ত্রগী NBFCগী ATSনা খ্বাইদগী হেল্লি।
- অতোপ্পা লেন্দরশিংগা চাংদম্নবদা মহারাস্ত্রগী NBFCশিংনা 90+ দেলিংক্বেন্সী নীংথিনা ঙাক্লি।

# মহারাস্ত্রাঃ শেল য়েন্থোকপগী চৎনবী

লোন মশিং (‘000)


| তিকেৎ সাইজ | OND‘ 19 | JFM‘ 20 | AMJ' 20 | JAS' 20 | OND’ 20 |
|---|---|---|---|---|---|
| 0K-10K | 106 | 74 | 6 | 31 | 258 |
| 10K-20K | 154 | 135 | 75 | 145 | 143 |
| 20K-30K | 495 | 486 | 13 | 130 | 315 |
| 30K-40K | 478 | 486 | 14 | 130 | 235 |
| 40K-50K | 187 | 223 | 6 | 95 | 165 |
| 50K-60K | 132 | 154 | 6 | 62 | 151 |
| 60K হেনবা | 69 | 89 | 5 | 51 | 167 |
| অপুনবা | 1,621 | 1,647 | 125 | 644 | 1,434 |

তেবল-09

- পেন ইন্দিয়াগী থাক্তা Y-o-Yগী 3%গী শাহৌ লৌরিবা অসিগা চাংদম্নবদা মহারাস্ত্রনা Y-o-Yদা য়ুম্ফম ওইবা ফীভমদা শেল য়েন্থোকপগী মশিংদা 11.5%কী চাং হুখি।
- OND’19 দগী OND’20 ফাওবদা 60K হেনবা কাংলুপ্তা Y-o-Yনা 142%কী শাহৌ লৌখি।


# মহারাস্ত্রাঃ পোর্তফোলিওগী চৎনবী

গ্রাফ-09




- মহারাস্ত্রনা দিসেম্বর 2019দগী দিসেম্বর 2020 ফাওবদা 17%কী Y-o-Yগী শাহৌ লৌখি।
- বেঙ্কশিংনা COVIDকী মতমদগী তপ্পা ফগৎলক্লি অমসুং সেপ্তেম্বর 2020দগী দিসেম্বর 2020 ফাওবদা 2%কী শাহৌ লৌখি অমসুং নাকল অমদনা, SFBশিংনা মান্নবা মতম অসিদা 15%কী শাহৌ হন্থখি।
- মহারাস্ত্রদা NBFC-MFIশিংগী মার্কেৎ শেয়রনা ক্লার্তর খুদিংদা খ্বাইদগী ৱাংবা ওইখি।

# মহারাস্ত্রাঃ 90+ দেলিংক্বেন্সীগী ফীভম




- অতোপ্পা ক্বার্তরশিংগা চাংদম্নবদা দিসেম্বর 2020দা লেন্দর খুদিংগী খ্বাইদগী ৱাংবা 90+ দেলিংক্বেন্সী লৈখি।
- শেন্দোংগী নত্তবা MFIশিংনা দিসেম্বর 2020দা 12.46%কী খ্বাইদগী ৱাংবা দেলিংক্বেন্সী লৈখি।

**খঙজিনগদবাঃ** দেলিংক্বেন্সীশিং অসি POSতা যুম্ফম ওইরগা হোৎপনি

EQUIFAX®


sidbi





# এস্পিরেস্নেল জিলাশিং

# এম্পিরেস্নেল জিলাশিং – দিসেম্বর 2020গী শক্তম

গ্রাফ-11




গ্রাফ-12




| এম্পিরেস্নেল দিস্ত্রিক্তকী শাহৌ লৌবগী ৱারোল | দিসেম্বর 2017 | দিসেম্বর 2020 | শাহৌ লৌবগী চাং % |
|---|---|---|---|
| এক্তিব কস্তমর য়াওশিল্লকপা ('000) | 4,155 | 7,900 | 90% |
| য়েন্থোকখ্রবা শেনফম (`করোর) | 14,374 * | 23,914 ** | 66% |
| এক্তিব লোন ('000) | 6,925 | 13,299 | 92% |
| পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিং (`করোর) | 11,175 | 28,256 | 153% |
| 30+ দেলিক্কেন্সী | 1.54% | 12.17% | - |
| 90+ দেলিক্কেন্সী | 0.75% | 4.12% | - |

Note: * জনুৱারী 2017 দগী দিসেম্বর 2017 ফাওবদা থাদোকখিবা
** জনুৱারী 2020 দগী দিসেম্বর 2020 ফাওবদা থাদোকখিবা
দেলিংক্বেন্সীশিং অসি POSতা য়ুম্ফম ওইরগা হোৎপনি

- এম্পিরেস্নেল জিলাশিংগী অপুনবা পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিং অসি বেঙ্কশিংগী শেয়রনা 42% অমসুং NBFC-MFIগী শেয়রনা 36% ওইদুনা, দিসেম্বর 2020 ফাওবদা করোর 28,256 ওইখি।
- NBFC-MFIশিংনা এম্পিরেস্নেল জিলা খুদিংদা খ্বাইদগী ৱাংবা 90+ দেলিংক্বেন্সী লৈখি।
- দিসেম্বর 2017দগী দিসেম্বর 2020 ফাওবদা পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিংনা 153% অমসুং য়েন্থোকখিবা শেনফমগী চাংনা 66%কী শাহৌ লৌখি।

EQUIFAX


sidbi



অসমগী মপুং ওইবা ফীভম

# অসমগী মপুং ওইবা ফীভম – দিসেম্বর 2019 অমসুং দিসেম্বর 2020 ফাওবদা


গ্রাফ-13 পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিং অমসুং 90+ দেলিঙ্কেন্সী




- বেঙ্কশিংনা দিসেম্বর 2019দগী দিসেম্বর 2020 ফাওবদা 5%কী Y-o-Yগী শাহো লৌখি।
- বেঙ্কশিংনা দিসেম্বর 2019দগী দিসেম্বর 2020দা অসমগী অপুনবা পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিংদা খ্বাইদগী য়াম্না শৌগৎখি।
- দিসেম্বর 2019গা চাংদম্নবদা দিসেম্বর 2020দা লেন্দর খুদিংমক্কী 90+ দেলিংক্বেন্সী হেনগৎখি।
- অসমগী দিসেম্বর 2020গী 90+ দেলিংক্বেন্সীনা পেন ইন্দিয়া 90+ দেলিংক্বেন্সীদগী হেনখি।

# অসম – সোর্সিং তৌবগী চৎনবী

গ্রাফ-14




ময়াই ওইরপ্পা তিকেৎ সাইজ(লুপা)

| লেন্দর মখল | OND‘ 19 | OND' 20 | Y-o-Y শাহৌ লৌবগী চাং % |
|---|---|---|---|
| বেঙ্কশিং | 62,034 | 31,368 | -49% |
| SFBশিং | 39,932 | 40,898 | 2% |
| NBFC-MFIশিং | 30,734 | 25,975 | -15% |
| NBFCশিং | 32,989 | 40,733 | 23% |
| অসমগী অপুনবা ATS | 48,524 | 30,259 | -38% |

তেবল-11

- OND’ 19 দগী OND’20 ফাওবগী অপুনবা লোন ফংবগী চাংনা 79%কী চাংদা হেনগৎখি৷
- অসমগী অপুনবা ATSনা OND’ 19দা 48,524 ওইরম্বদগী OND’20দা 38%গী চাং হন্থদুনা 30,259 ওইখি৷

### এস.আই.দি.বি.আই.গী মরমদা ৱারোল থরা

স্মোল ইন্দস্ত্রীজ দিভেলপমেন্ত বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া অসি ইং ১৯৯০গী পার্লিয়ামেন্তকী এক্ত অমগী মখাদা লিংখৎখিবনি। এস.আই.দি.বি.আই. অসিবু খুমাং চাউশিলহনবা, সজেল থাদবা অমসুং এম.এস.এম.ই. চাউখৎহন্নবা হীরম অহুমগী থবকশিং পাংথোক্নবা অমসুং পনথ্রিবা হীরমশিং অসিগা মরী লৈনবা ইন্সতিত্যুসনশিংগী মথৌশিংবু য়েংশিন্নবগীদমক্তা প্রিন্সিপল ফাইনেন্সিএল ইন্সতিত্যুসন অমা ওইনা থবক তৌবগী কাঙলোন য়াওরি। চহি কয়াগী মনুংদা, শেল থুমগী অমসুং চাউখৎপগী তোঙান-তোঙানবা খোঙথাংশিংগী খুত্থাংদা বেঙ্ক অসিনা থুন্নাই কয়াগী মীওই কয়া অমগী পুন্সি অমসুং এম.এস.এম.ই.গী ইকোসীস্তেমগী মনুং চনবা ইন্তর্প্রাইস কয়াদা অফবা চৈথেং পীদুনা লাক্লি।
এস.দি.বি.আই.না ভিজন ২.০গী মখাদা মাইক্রোফাইনান্স পল্সকী মথক্তা এম.এস.এম.ই.গী হেল্থ ত্রেক্কর ওইরিবা এম.এস.এম.ই. পল্স, এম.এস.ই.গী ৱাখল্লোন অমসুং অপাম্বশিং খঙনবা, ক্রিসিদেক্স, ইন্দস্ত্রী সেক্তরশিংগী পাক-শনবা পাউদম, ইন্দস্ত্রী স্পোৎলাইৎ অমসুং ফিন্তেক লেন্দিং সেগমেন্তকী ক্রেদিৎ দেতাগী মরমদা খঙহন্নবা ফিন্তেক পল্সকুম্বা এম.এস.এম.ই.গী সেক্তরশিংদা লৈরিবা ই-পাউগী এসিমিত্রী অসিবু মীয়ামদা খঙহন্নবগীদমক্তা তোঙান-তোঙানবা খোঙথাং কয়া থৱাই য়াওনা পাংথোক্তুনা লাক্লি।

### মাইক্রোফাইনান্সকী লমদা এস.দি.বি.আই.

এস.দি.বি.আই.না মাইক্রোফাইনান্স ইহৌ অসিবু শৌগৎপগী খুত্থাংদা শেল থুমগী হীরম খুদিংবু মনুং চনবা পান্দম অমা ফংনবা থবক কয়া পাংথোকপদা লময়ানবা ওইদুনা লাক্লি। মাইক্রোফাইনান্সকী মখাদা, বেঙ্ক অসিনা এম.এফ.আই. ১০০ হেনবদা মার্চ ২০২০ ফাওবগী মনুংদা লুপা করোর ১৯,৮৭১গী চাউরাকপা শেনফম থাদখি। এম.এফ.আই.দা পীরিবা দেৎ অমসুং ইক্নিতীগী তেংবাং অসিবু মসিগী ইন্সতিত্যুসনশিং অসিদা কেপাসিতী বিলদিং তৌবগী তেংবাংবগী থৌওংশিংনা হেন্না নীংথিজনা তেংবাংলি। মসিদা নত্তনা, মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রীনা হৌরকপদা শোন্না লৈরম্বদগী হৌজিক্তি মপুং ফাবা ইন্দস্ত্রী অমা ওইহনবদসু তেংবাংলি। মাইক্রো লেন্দিংগী মতাংদা মশক থোকপা খোঙথাং নমা পায়খিৎবা অদুদি অপিকপা লোনশিংবু মার্কেত্তা চৎনরিবা ইন্তরেস্তকী চাং অসিদগী য়াম্না নেমহন্দুনা এস.দি.বি.আই.দগী হকথেংননা ফংহনখিবা অসিনি। মসিগী প্রয়াস হায়না মিংথোনবা খোঙথাং অসিগী মখাদা, বেঙ্ক অসিনা খ্বাইদগী অনেম্বা থাক্তা লৈবা শেল পুবা মীওইশিংদা লুপা লাখ ০.৫০দগী লাখ ৫ ফাওবগী তিকেৎকী অচৌবা লোনশিং পীরি।

### ইকুইফেক্সকী ৱারোল থরা

ইকুইফেক্স অসি মালেমগী ইনফোর্মেসন সোল্যুসন কম্পেনী অমনি অমসুং মসিনা থাজনীংঙাই ওইবা তোপ তোপ্পা দেতা, য়েংশিনবগী অনৌবা থৌওং, তেক্নোলোজী শিজিন্নদুনা মালেম শিনবা থুংনা লৈরিবা লুপশিংবু মপাঙ্গল লৈহল্লি।

এতলান্তা, জি.এ.দা ময়াই লোইশঙ লৈবা, ইকুইফেক্স অসিনা অৱাং-অমেরিকা, ময়াই অমসুং থা অমেরিকা, য়ুরোপ অমসুং এসিয়া পেসিফিক্কী মফমশিংগী লৈবাক ২৪দা থবক তৌই। মসিনা স্তেন্দর্দ অমসুং পোর (এস. অমসুং পি.) ৫০০® ইন্দেক্সকী মেম্বরসু ওই অমসুং মসিগী কম্মন স্তোক অসি ই.এফ.এক্স. সীম্বোলগী মখাদা ন্যু য়োর্ক স্তোক এক্সচেঞ্জ (এন.ৱাই.এস.ই.)দা ত্রেদ তৌই। কম্পেনী অসিনা মালেম শিনবা থুংনা মীওই ১১,০০০ থবক শুনবা থম্মি। ক্রেদিৎ ইন্দস্ত্রীদা চহি ১২০গী পুৱারী লৈরবা কম্পেনী অসিনা ইং ২০১০দা ভারতকী মার্কেত্তা চঙলকখি অমসুং মসিনা সি.আই.সি. অমা ওইনা থবক তৌনবা আর.বি.আই.না লাইসেন্স পীখি। হৌখিবা চহি ৯ অসিদা, ক্রেদিৎ ব্যুরো অসিনা বেঙ্ক, এন.বি.এফ.সি., এম.এফ.আই. অমসুং ইন্স্যুরর কয়া য়াওনা ৪০০০+ মেম্বর লৈবা ঙমখ্রে। মসিনা ইং ২০১৪দা এনালাইতিক্স ফর্ম অমবুসু লৌশিন্দুনা ভারত্তা হেন্না পাকথোক চাউথোকখি। ইকুইফেক্স এনালাইতিক্স প্রাইভেৎ লিমিতেদ অসি ইকুইফেক্সনা মপুং ওইনা মপু ওইবা ভারত্তা লৈবা এনালাইতিক্স এন্তাইতী অমনি অমসুং মসিনা মীয়ামগা মান্নদবা এনালাইতিক্সকী ৱারোইশিন পীদুনা কারবার অমসুং মসিগী কস্তমরশিংগী থবক খৌরমশিংবু হেন্না নুংঙাইহল্লি।

### দিসক্লেমর

মাইক্রোফাইনান্স পল্স (পাউদম) অসি ইকুইফেক্স ক্রেদিৎ ইনফোর্মেসন সর্ভিস প্রাইভেৎ লিমিতেদ (ইকুইফেক্স)না শেম শাবনি। পাউজেল অসিবু য়েংশিন্দুনা অমসুং শিজিন্নদুনা, য়ুজরশিংনা মসিবু শিজিন্নবা অসি দিস্ক্লেমর অসিগী মথা পোনবনি হায়না খঙগনি। মসিগী পাউজেল অসি মাইক্রোফাইনেন্স ইন্সতিত্যুসনশিংনা সেপ্তেম্বর ২০২০ ফাওবগী মনুংদা পীরকপা ই-পাউশিংদা য়ুম্ফম ওইবনি। ইকুইফেক্সনা মসিগী পাউজেল অসি শেম্বদা য়াম্না চেকশিন্না হোৎনখ্রবসু, মাইক্রোফাইনান্স ইন্সতিত্যুসনশিংনা পীরকপা অরানবা অমসুং লোইশিন্দবা ই-পাউশিংগী দাইত্য লৌবদি ঙল্লোই। মথা তাবা ওইনা, মসিগী রীপোর্ত অসিদা য়াওরিবা ই-পাউশিং অসি লোইনা চুম্মি হায়বগী গেরেন্তী লৌরোই। মসিগী পাউদম অসি হায়জরকপা মখল অমতবু চুম্মি/লাল্লি হায়না লৌবা নত্তে। মসিগী পাউদম অসিদা য়াওরিবা ই-পাউ অসিনা কনাগুম্বা অমতদা পাউতাক পীবা নত্রগা মসিগী ই-পাউশিং অসি ৱারেপ অমা লৌবা মতমদা শিজিন্নগদবনি হায়বা লৈতে। মসিগী রীপোর্ত অসিবু শিজিন্নবা অসি ক্রেদিৎ ইনফোর্মেসন কম্পেনী (রীগ্যুলেসন) এক্ত, ২০০৫, ক্রেদিৎ ইনফোর্মেসন কম্পেনীজ রেগ্যুলেসন, ২০০৬, ক্রেদিৎ ইনফোর্মেসন কম্পেনীজ রুলস, ২০০৬কী কাঙলোনগী মখাদনি। মসিগী রীপোর্ত অসিগী শরুক অমত্তা অয়াবা য়াওদনা শিজিন্নবা, নম্থোকপা য়ারোই।

পাউ ফাওফম


ইকুইফেক্স ক্রেদিৎ ইনফোর্মেসন সর্ভিস প্রাইভেৎ লিমিতেদ

য়ুনিৎ নম্বর .৯৩১, ৩শুবা মথোল, ব্লিদিং নম্বর ৯,
সোলিতাইর কোর্পোরেৎ পার্ক, অন্ধেরী ঘাৎকোপর লিঙ্ক রোদ
অন্ধ্রী (ইস্ত), মুম্বাই - ৪০০ ০৯৩
তোল ফ্রী নম্বর.: ১৮০০ ২০৯৩২৪৭
ecissupport@equifax.com

স্মোল ইন্দস্ত্রীজ দিভেলপমেন্ত বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া
স্বাভালম্বন ভবন, প্লোৎ নম্বর- সি. ১১, ‘জি’ ব্লোক
বেন্দ্রা কুর্লা কমপ্লেক্স, বেন্দ্রা (ইস্ত) মুম্বাই -৪০০ ০৫১ মহারাস্ত্রা
তোল ফ্রী নম্বর: ১৮০০ ২২৬৭৫৩
www.sidbi.in/en